# চাইনিজ লান্মীশিং চংশিল্লকপগী ৱাথোক অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্কনি ঃ নরেন্দ্র মোদি



ন্যু দেল্লি, সেপ্তেম্বর ১৮ ঃ
চাইনিজ আর্মিনা লদাক্তা লৈরিবা লাইন ওফ কন্ত্রোল পরিংদা য়াম্না তোয়না তোয়না চংশিল্লকপা মরক্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ইশ্যু অসিগী মতাংদা চাইনিজ প্রসিদেন্ট ঝি জিংপিংগা ঙসি উন্নখিবদা য়াম্না হকচিনবা মওংদা নুংনাংবা ফোংদোকখি।

মোদিনা ঝিদা ফোংদোকখিবদা, বোর্দর ইশ্যু অসি অথুবা মতমদা এদ্রেস তৌবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই অমসুং চাইনিজ প্রসিদেন্টনা ইশ্যু অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্কবা চপ চানা লেপলি হায়বগী থাজবা থমখি।

বোর্দরদা থোক্লিবা থৌওংশিং অসিগী মতাংদা ঐহাক্না য়াম্না নুংনাংবা ৱাফম ফোংদোকখ্রে। ঐখোয়না হৌজিক ইশ্যু অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরকপগী তঙাইফদবা লৈ। বাউন্দরিগী ওইনা ৱাহং অসি অথুবা মতমদা ঐখোয়না এদ্রেস তৌবা তাই। ঐখোয়গী মাইকৈদগী প্রসিদেন্ট ঝিদা লাইন ওফ একচুএল কন্ত্রোল ক্লেরিপাই তৌনবগী পন্দুনা লৈরিবা প্রোসেস অমুক হন্না লৌখৎনবা হায়জখ্রে হায়না মোদিনা পুং ১ চংনা পাঙথোকখিবা মিটিং অদুদা ফোংদোকখি।

লাইন ওফ একচুএল কন্ত্রোল ক্লেরিফিকেশন তৌবা হায়বসিনা শান্ত অমসুং ইং তপ্পা হায়বদু পুরক্কবা হোৎনবদা .খোয়না লৌখৎলিবা থৌরাংশিংদা য়াম্না চাউবা কন্ত্রিব্যুশন অমা পিবা ওইগনি হয়না মোদিনা মখা তানা পোংদোকখি।

চাইনিজ প্রসিদেন্ট ঝিনা মহাক্কী পাউখুম ওইনা ফোংদোক্লিবদি, চাইনা-ইন্দিয়া বাউন্দরি ইশ্যু অসি প্রোব্লেম অমনি। মসিনা নাকল অনীমক্তা মতম শাংনা খুদোংথিবা মায়োক্নহল্লক্লে হায়খি।

য়াম্না ময়েক শেংদবা দিমার্কেশন্না মরম ওইরগা ইন্দো-চাইনা বোর্দর পরিংদা থৌদোক খরা থোক্কুনা লাক্লি। মসি অথুবা মতমগী মনুংদা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি। চাইনানা বাউন্দরিগী ওইবা ৱাহং অসি অথুবা মতমগী মনুংদা ৱারোইশিন পুরক্কবা চপ চানা লেপলি।

মোদিনা চাইনিজ প্রসিদেন্টদা ষ্টেপল ফাজিল্লবা ভিজা ইশ্যুগী মতাংদসু খন্নখি। চাইনানা লৌখৎলিবা ভিজা পোলিসি অমসুং ট্রান্স-বোর্দর রিভরগা মরী লৈনবা ৱাফমদসু ইন্দিয়ানা নুংনাংবা ফোংদোক্লিবা অদুগী মতাংদা ঐহাক্না খন্নখ্রে। অথুবা মতমগী মনুংদা ৱারোইশিন অমা পুরকপা অদুনা নাকল অনীগী মরক্তা হেন্না থাজনবা লৈহনগনি হায়না মোদিনা ফোংদোকখি।

ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা মিটিং অদুগী মনুংদা কাইলাস মানসরোবর যাত্রা ভিয়া সিক্কিম অমসুং ইন্দিয়ন রেলৱেজ হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা য়াওনা এম ও য়ু ১২ সোই তৌনখ্রে। লাক্দৌরিবা মথংগী চহী ৫ গী মনুংদা চাইনানা ইন্দিয়াদা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ২০ ইনভেষ্ট তৌগদৌরি।

চাইনানা গুজরাট অমসুং মহারাষ্ট্রদা ইন্দষ্ট্রিএল পার্ক লিংখৎকদৌরি। ঐখোয়না রেলৱেজগী মতাংদা অমসুং মহেশ্বর অমসুং চেন্নাইগী মরক্ত াচেল্লিবা ট্রেনশিংগী স্পিদ ফগৎহন্নবা হোৎনবদা পুক্নিং থৌগৎপগী ৱাফম খন্নখ্রে হায়না ঝিনা ফোংদোকখি।

প্রাইম মিষ্টির নরেন্দ্র মোদি অমসুং ঐহাক্কী মায়কৈদগী চাইনা অমসুং ইন্দিয়া অনীগী কম্মন ওইবা দিভলপমেন্টগী পন্থু অমসুং ফিলোসোফিশিং অদু স্যের তৌমিন্নবা ৱাফম ঐহাক্না য়ারে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

ইন্দিয়াগী পোথোকশিংদা মার্কেট হেন্না লৈহনবগী ৱাফম থল্লদুনা চাইনিজ প্রসিদেন্টনা ফোংদোকখিবদি, চাইনানা ললোন ইতিক্কী মতাংদা খল মান্নদবা লৈরিবা অসি হস্থহন্নবা এক্টিভ ওইবা খোঙথাংশিং মখা তানা লৌখৎকনি অমসুং ইন্দিয়াগী পোথোকশিংদা হেন্না মার্কেট লৈহন্নবা পীবা য়াবা মতেংপীগনি হায়বা ৱাফমসু চাইনিজ প্রসিদেন্টনা থমখি।

ঝিনা মোদিদা মথংগী চহীদা চাইনাদা লাকপিনবা চেবাও পিখি। ঐহাক্কী মাইকৈদগী মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা চাইনাদা লাকপিনবা চেবাও পিখ্রে। ঐখোয়না কুমজা ২০১৫ অসি ভিজিট ইন্দিয়া ইয়র, কুমজা ২০১৬ না ভিজিট চাইনা ইয়রনি হায়না লাউতোক্লে হায়নসু ঝিনা ফোংদোকখি।

মোদি অমসুং ঝিনা মকা তানা ফোংদোকখিবদি, লৈবাক অনীনা কোঞ্জেল অমত্তদা ৱা ঙাংগদবনি। ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা খোঞ্জেল অমত্তদা ৱা ঙাংলবা মতমদা মালেম অসিনা শোয়দনা পুক্নিং চিংশিল্লক্কনি। চাইনা অমসুং ইন্দিয়ানা রিজন অসিগী মনুংদা গ্রোথ অমসুং চাউখৎ থৌরাং লৈহন্নবা খন্নাংনবা ইঞ্জিন ওইনা থবক তৌগনি হায়না প্রসিদেন্ট ঝিনা মখা তাখি।

অদুমক ওইনা ৱারী শান্নরকপগা লোয়ননা অমসুং এম ও য়ু সোই তৌনখিবা ওইরবা ফাওবদা লদাক্তা চাইনিজ আর্মিনা চংশিল্লকপদি লেপত্রি। চাইনিজ আর্মিনা লাইন ওফ কন্ত্রোল পরিংদা ঙসি অঙনবা মতমদা চুমার ভিলেজদা লান্মী হেন্না চংশিল্লকখ্রে।

প্রসিদেন্ট ঝি জিনপিং অমসুং নরেন্দ্র মোদি অনীগী মরক্তা সবমিট মিটিং পাঙথোক্লিঙৈ মমাংদা থৌদোক অসি থোক্লকখিবনি।

পাউগী লিখুন মতুং ইন্না চাইনিজ সাইদনা ঙসি নুমিৎ থোক্লিঙৈ মমাংদা অহেনবা লান্মীশিং চংশিল্লকখি। মখোয়না এরিয়া অদুদগী ইন্দিয়ন আর্মি চৎখিনবা বেনরশিং পায়দুনা চংশিল্লকখিবনি।

লান্মী অনীমক্না অমনা অমদগী মিটর ২০০ রোম লাপ্পা মফমদা লৈনরি। চাইনিজ প্রসিদেন্ট ঝি জিনপিংনা ইন্দিয়াদা লাকখিবা মনুংদা সোই তৌনখিবা দোক্যুমেন্টশিংগী মনুংদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যের এন্দ রিপব্লিক ওফ ইন্দিয়া, মিনিষ্ট্রি ওফ রিপব্লিক ওফ চাইনা অনীনা ইন্দিয়ন প্রিলগ্রিমেন (কৈলাস মানসরোবর যাত্রা) দা অনৌবা লম্বী অমা হাংদোকপা য়াওরি। মসিগা লোয়ননা মিনিষ্টর ওফ রেলৱেজ ওফ দি রুমেন ওফ রিপব্লিক ওফ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট ওফ পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনানা রেলৱেজদা পিনবা কোওপরেশন হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমসুং মিনিষ্টর ওফ রেলৱেজ ওফ দি গভর্ণমেন্ট ওফ রিপব্লিক ওফ ইন্দিয়া এন্দ নেশনেল রেলৱে এদমিনিষ্ট্রেশন ওফ দ গভর্ণমেন্ট ওফ পিপল রিপব্লিক ওফ চাইনানা রেলৱেজদা কোওপরেশন পিনবা মতাং, মিনিষ্ট্রি ওফ কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রি ওফ দি গভর্ণমেন্ট ওফ রিপব্লিক ওফ ইন্দিয়া এন্দ মিনিষ্ট্রি ওফ দি গভর্ণমেন্ট ওফ পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনা অনীগী মরক্তা চহী মঙাগী ট্রেদ এন্দ ইকনিক দেভলপমেন্টনচিংবা য়াওরি।

# পুলিসকী র‍্যেদশিং চখবনা মঙক কল্লুগা হাৎপগী ধমকা লৈরকপনি ঃ ওষ্ট্রেলিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর




সিদনি, সেপ্তেম্বর ১৮ ঃ
পুলিসনা কাউন্টর-টেরোরিজম ওপরেশন অমগী শরুক ওইনা য়ুম য়ুমদা চংদুনা র‍্যেদ চখুরকখ্রবা মতুংদা ওষ্ট্রেলিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর টোনি অবোটনা ঙসি ফোংদোকখিবদা, রেদিকেল গ্রুপ ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিংনা ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈরিবা পব্লিক অমগী মেম্বর অমা মঙক কত্তুনা হাৎননবা থৌরাং তৌরে হায়খি।

অবোটনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, ওষ্ট্রেলিয়ানা মসিগী নেশনেল টেরর থ্রেট অমা পুখৎলকখিবদা টেরোরিষ্টশিংগী এটেক চখুরকপগী য়াম্না হকচিনবা রিক্স অমা লৈরি হায়খি।

ইরাক নত্রগা সিরিয়াদা লৈবা ওষ্ট্রেলিয়নশিংদা এটেকশিং চখুরকপা য়াবগী থৌওং লৈরে। ওষ্ট্রেলিয়ানা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংগা ওভর সিজদা লাল থেংনগদৌরিবা অসিদা শরুক য়ারিবা লৈবাক অসিগী সিটিজেনশিংগী মশিংগী মতাংদা নুংনাংবা লৈরে। মসিগী মনুংদা হৌখিবা জুলাই থাদা বাগদাদতা চখিবা সুইসাইদ বোম্মর অমনা মীওই অহম হাৎখ্রে অমসুং অতোপ্পা মীওই অনী অমসু সিরিয়ন লান্মীশিংগী ককথৎলবা মকোক অদু পায়রগা সোসল মেদিয়াদা ফোটোশিং উৎলকখ্রে।

সিদনি অমসুং ব্রিসবেন্দা ঙসি অয়ুক নুমিৎ থোক্লিঙৈ মমাংদা চখিবা সিক্যুরিটি ওপরেশন অদুদা পুলিসমেন ৮০০ হেনবনা শরুক য়াখি। ওপরেশন অসি ওলষ্ট্রেলিয়ন ইতিহাসতা খ্বাইদগী চাউবা অমনি হায়না ফোংদোক্লবগা লোয়ননা মীওই ১৫ দিটেন্দ তৌখি হায়না পুলিসনা ফোংদোরকখি।

অবোটনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ফোংদোকখিবদা, রেদিকেল গ্রুপকী মেম্বরশিংনা পব্লিক বিহেদিং হায়বদি মীয়াম মমাংদা মঙক কল্লুগা হাৎপগী থৌওং পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরে। মসি ঐখোয়না ফংবা ইন্টিলিজেন্সকী পাউ মতুং ইন্ননি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মিদিয়ানা রিপোর্ট তৌনখিবদা থৌরাং অসিগী মনুংদা সিদনিদা নুপা অমা ফাদুনা পুবগী ৱাফম য়াওরি। সিদনি অসি ওষ্ট্রেলিয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা সহর অমনি। গ্রুপকী অমুবা ফিরাল অদু উৎলগা কেমেরাদা মখোয়শিং অদু এক্সিক্যুট তৌদুনা হাৎপা উৎলকখি।

অবোটনা ইস্লামিক ষ্টেট হায়না খঙনরিবা গ্রুপ অসিদা রিফর তৌরদুনা মখা তানা ফোংদোক্লিবদি, হায়রিবা রেদিকেল গ্রুপ অসিনা সিরিয়া অমসুং ইরাক্তা টেরিটরি কয়া অমা লৌশিনখ্রে। সিদনিদগী ওমরজন অজানি কৌবা মশাগী চহী ২২ শুরবা মীওই অমা র‍্যেদ অসিগী মতুংদা কোর্টতা কারকখ্রে। মঙোন্দা চার্জ তৌরিবা অসি টেরোরিষ্ট এক্ট চখনবা হোৎনৈ হায়বসিনি। মহাক নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা হিয়ারিং য়ৌদ্রিবা ফাওবদি কষ্টদিদা লৈরগনি হায়না ফোংদোরকখি।

প্রোসিকুটর মাইকেলনা সিদনিদা লৈবা কোর্টয় অমদা ফোংদোকখিবদা, এটেক অমা চখনবা থৌরাং তৌরে। মদু তশেংনমক অকি অখণ্ড উৎপগা লোয়ননা কম্যুনিতিদা মীপাইথবাইবা পোকহল্লবা য়াই হায়না সিদনিদা ফোংবা *মোর্নিং হেরাল্দ* না রিপোর্ট তৌরি।

অজারগী উকিল ওইরিবা ষ্টিবেন বোলেন্দনদি বেলগীদমক্তা এপ্লাই তৌবা লৈত্রি। বোলেন্দদা কোর্টতা ফোংদোকখিবদা মহাক্কী ক্লাইন্টগী মথক্তা শিরিবা মরাল অসি টেলিফোন কোল অমদা য়ুম্ফম ওইবনি হায়বসিনি।

বোলেন্দগী মায়কৈদগীদি ৱারোল অমত্তা ফোংদোকপা লৈতে। পুলিসনা ফোংদোকিলবনা, ৱেষ্টর্ন সিদি অমসুং ক্বিনইনলেন্দ ষ্টেট কেপিটেরদা র‍্যেদশিং অসি চখখিবনি। মফমশিং অসিদা টেরোরিজমগা মরী লৈনবা চার্জদা হৌখিবা চয়োলদা মীওই অনী ফাগৎখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী অপুনবা মীশিংগী তঙ্খাই অমরোমদি হায়বদি মীওই লিশিং ৫০০ রোমদি সিদনিদা লৈরিবা মুসলিমশিংনি। নোংচুপ থংবা শরুক্তসু মুসলিমশিংনা মেজরিটি ওইনা লৈরে।

ন্যু সাউত ৱেষ্ট পুলিস কম্মিস্নর এন্দ্রি স্কাইপাইওনিনা ফোংদোকখিবা অমনা মহাক্কী মায়কৈদগী উংখৎনরক্লিবা অসি খুদোংচাবা লৌদুনা খুদোংথিবা থোকহন্নবা হোৎনরকপশিং থিংননবা র‍্যেদ চখুখিবা অসিগী মতুংদা লম্বীশিংদা মশিং হেন্না পুলিসশিং থম্নবা ওর্দর তৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং নোংচুপ থংবা সিদনিগী লকেম্বা নেভরহুদতা ঙসিগী ওইনদি সিক্যুরিটি হেনগৎপগী খুদম উবা ফংদে। মফম অসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী হেন্না মুসলিম মশিং য়াম্না লৈবা মফমনি।

ফোরেন ন্যুজ এজেন্সিশিংনা তোঙান তোঙানবা রেসিদেন্টশিং ইন্টরভিয়ু তৌখ্রে। মখোয়নদি র‍্যেদ চখুরে হায়বগী ৱারোল অমত্তা তাবা লৈতে হায়খিবগা লোয়ননা খুজিল থৌরাং তৌরে হায়বদুগী মতাংদা থাজবা লৈতে হায়খি।

মশাগী চহী ৪০ শুরবা য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোই অমা ওইরিবা ওস্মা ফরাহানা ফোংদোকখিবদদি, র‍্যেদশিং অদু ওষ্ট্রেলিয়ন মিদিয়াগী ময়েক শেংদবা মুসলিমশিংবু ফেনাটিক্সনি হায়বা কাংবুগী শরুক অমনি হায়খি। জিয়ুশিং, খৃষ্টানশিং, মুসলিমশিং মফম খুদিংমক্তা লৈরি অদুবু অপুনবা মীশিংগী মনুংদা মশিং য়ামদবা অসিগুম্বা ফিভমদা লৈরে হায়বসিদি অচুম্বা নত্তে হায়খি।

# টিবেটকী প্রোব্লেম অসিদি ইন্দিয়াগী প্রোব্লেমনিঃদলাই লমা

মুম্বাই, সেপ্তেম্বর ১৮ ঃ
টিবেটকী একজাইল ওইনা লৈরিবা স্পিরিচুএল লিদর দলাই লমানা টিবেটকী প্রোব্লেম অসিদি ইন্দিয়াগী প্রোব্লেমনি হায়না ঙসি ফোংদোকখিবগা লোয়ননা মতম শাংনদগী লৈরক্লিবা ইশ্যু অসি ফোর্সনা নত্তবদা ৱারোইশিন অমা পুরকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ফোংদোকখ্রে।

দলাইলমাগী ৱাফম অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চাইনিজ প্রসিদেন্ট ঝি জিনপিংগা সবমিট মিটিং পাঙথোক্লিবা মফম ওইরিবা ন্যু দেল্লিগী হায়দ্রবাদ হাওস মনাক্তা টিবটানশিংনা প্রোটেষ্ট তৌরকখিবা মরক্তা ফোংদোরকখিবনি।

থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা টিবেটকী প্রোব্লেম অসিসু ইন্দিয়াগী প্রোব্লেম অমনি। কুমজা ১৯৫০ গী মমাংদা অৱাং থংবা বোর্দর অসি থাঙ্গৈশেংনা য়াম্না শান্তি ওইরম্মী। লান্মী অমা ফাওবা লৈরমদে। মরম অসিনা মসি ইন্দিয়াগী প্রোব্লেম অমনি হায়না মশাগী চহী ৭৯ শুরবা স্পিরিচুএল লিদর অসিনা মুম্বাইদা ঙসি মখা তানা ফোংদোকখি।



অথুবা মতমগী মনুংদা প্রোব্লেমশিং অসি ফোর্সনা নত্তবদা য়াম্না অন্দরষ্টেন্দিং লৈবা অমসুং ৱারী শান্নবগী খুত্থাংদা অন্দরষ্টেন্দিং লৈনদুনা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি। হিরমসিগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরকপা হায়বসি পর্সনেল ওইবা কন্টেক্টকী খুত্থাংখক্তদা ওইগদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদি অমসুং ঝি অনীগী মরক্তা শান্তিগী ওইবা ৱারী শান্নরকপগা লোয়ননা মুলায়ম সিংহগী পার্টিনা চাইনাবু শুকথা থাজরুনু হায়বা ৱাফম ফোংদোকখ্রে।

মোদি অমসুং প্রসিদেন্ট ঝিনা ন্যু দেল্লিদা লাক্লিবা চাইনিজ লুচিংবা অসিগী নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা দেল্লিদা উন্নখিবা মনুংদা ৱাফম অসি ফোংদোরকখিবনি।

মফম অসিদা দলাই লমানা কুমজা ১৯৫৯ দগী হৌনা মৱৈবাক থাদোরক্লগা লোই ওইনা লৈরক্লিবনি। দলাই লমানা টিবেটতগী চেল্লক্লগা ইন্দিয়াদা লৈরকখিবা অসি মফম অদুদা লৈরিবা চাইনিজ লৈঙাক্কী মায়োক্তা চংশিনখিবা অপরাইজিং অমা ফেল ওইরকখিবা অদুদগীনি।

মসিনা মরম ওইরগা এসিয়াগী জাইন্ট ওইরিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী হৌরকফম অমা ওইদুনা লাকখি। দলাই লমানা চাইনিজ প্রসিদেন্ট ঝিবু হেন্না রিএলষ্টিক ওইবা অমসুং মহাক্কী মমাংদা লৈরম্বা হু জিন টাওদগীদি মহাক্না ওপন মাইন্দেদ ওইবা হেল্লি হায়না থাগৎপা ফোংদোকখি।

মসিনা মরম ওইরগা মহাক্না ইন্দিয়াদগী অহেবা পরা কয়া তম্বা ঙমগনি হায়বা ৱাফমসু দলাই লমানা পোংদোকখি। পুম্মক অসিগী মতুংদা অনৌবা থাজনবা হায়বদুদা য়ুম্ফম ওইরগা ০-ইন্দিয়াগী মরী লৈহনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়বা ৱাফমসু মহাক্না থমখি।

# য়ুনাইটেদ কিংদমগী মরাইবক থুপচিন্নবা স্কোটশিংনা ইন্দিপেন্দেন্স রেফরেন্দমদা ভোট থাদনবা লোইখ্রে

আইলেন্দবর্গ, সেপ্তেম্বর ১৮ ঃ
স্কোটলেন্দনা চহী ৩০৭ চুপ্পা য়ুনাইটেদ কিংদমগা পুন্দুনা লৈরিবা অসি অসুমক লৈখিগদ্রা নত্রগা তোখায়না খাইদোরক্কদ্রা হায়বগী মতাংদা মীওই লিশিং চা কয়ানা ওপিনিয়ন পোল পিরবা মতুংদা য়ুনাইটেদ কিংদমগী মরাইবক করি ওইগদগে হায়বদু লেপ্পবা ঙসি স্কোটশিংনা ইন্দিপেন্দেন্স রিফরেন্দমদা ভোট থাদনবা লোইখ্রে।

পোল্লিং ষ্টেশনশিং হাংদোক্লিঙৈ মমাংগী অরোইবা পুংফমদা নাকল অনীগী লুচিংবশিংনা স্কোটশিংদা ইমুং মনুং কয়া, মরুপ মপাং অমসুং নুংশিচান্নবা লৈমিন্নবা কয়াবু খায়দোকহল্লিবা ভোট অমগী ইতিহাস অদু লৈহন্নবা তকশিনখি।

মনুং হঞ্জিনবা স্কোটিশ আইলেন্দদগীনা খ্বাইদগী হেন্না হকচিনবা সহর ইষ্টেট ওইরিবা গ্লাসগো ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা ভোটরশিংনা য়েস ওর নো হায়বদুগী পাউখুম পীননবা খঙহনখি। স্কোটলেন্দ অসি মনিং মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইগদ্রা? মসিনা স্কোটলেন্দগী ঐতিহাসিক ওইরবা নুমিৎ অমা ওইরে।


ঐহাক্না ঐহাক্কী পুন্সিরোল অসিদা মসিগীদমক্তা ঙাইদুনা লাকখিবনি। হৌজিক্তি ইংলেন্দগা খাইদোক্নবগী তাঞ্জা লাক্লে। 'য়েস' হায়বসিনা নিংতম্বা হায়বদু ওইগদৌরিবনি হায়না রোন কৌই হায়না শক তাকপা বিজিনেসমেন অমনা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না এদনবর্গকী ৱেবরলি পোর্টতা ভোট থাদখিবা ইহান হানবা মীওই ওইখি। ৱার্কর কয়ামরুম্না অঙনবা অয়ুক্তা থোক্লরকখিবগা লোয়ননা 'নো' হায়বসিদা ভোট থাদনবা খোল্লাওসু লাওনবা য়াওখি। য়ু গোব, পেনেল বেজ, সর্ভেশন, ওপিনিম অমসুং আই সি এম হায়রিবা সর্ভে মঙানা উৎলিবদি চাদা ৪৮ না মনিং মখা তম্বা হায়বসিদা সপোর্ট তৌরি। অদুগা য়ুনিয়ন্দা লৈনিংলিবনা চাদা ৫২ নি হায়না উৎলি।

আই পি এস ও এস মোরি পোলনা উৎলিবনা য়ুনাইটেদ কিংদমগা পুন্নিংবগী চাংনা চাদা ৫১ ওইবদা নিংখা তম্না লৈনিংবনা চাদা ৪৯ ওইরি। ফোন্না পাঙথোকখিবা অনীশুবা সর্ভেশন পোলনা উৎলিবদি, য়ুনিয়ন্দা লৈনিংবনা চাদা ৫৩ অমসুং তোখায় তানিংবনা চাদা ৪৭ নি হায়বসিনি।

সর্ভেশিং অসিনা উৎলিবদি অপুনবা ভোটর ১৬০০,০০০ ৱারেপ অমা ফাওবা লৌদনা লৈরি। পোল্লিং ষ্টেশন অদু ঙসি ২১,০০০ জি এম টিদা ক্লোজ তৌখি অমসুং রিজল্ট অদু হয়েং অঙনবা মতমদা ফংলবা য়াই হায়না থাজনরি।

হন্দক্কী অসিনা লাইভ টাইমগী ওইবা ঐখোয়গী খুদোংচাবা অমনি অমসুং ঐখোয়না মসিবু খুৎ অনীমক্না পায়শিন্দুনা থমগদবনি হায়না স্কোটলেন্দগী মশাগী চহী ৫৯ শুরবা নেশনেলিষ্ট লিদর অমা ওইরিবা অলেক্স সালমোন্দনা মহাকপু শৌগৎপা অমসুং অঙৌবা অমসুং ব্লু মচুগী স্কোটিশ ফিরাল পায়বা সপোর্টতর চা কয়াদা ফোংদোকখ্রে।




মখোয়না 'য়েস' হায়বা খোল্লাও লাওখি। স্কোটলেন্দগী তুংগী ওইবা ফিরেপ অসি স্কোটলেন্দগী খুত্তা লৈরে হায়না সালমোন্দনা নোংপোক থংবা স্কোটলেন্দগী সহর অমা ওইরিবা পর্থতা ফোংদোকখ্রে।

সহর অসি লন্দনগী অৱাংদা কিলোমিটর ৭৪০ চৎলগা লৈবনি। ইন্দিপেন্দেন্স মুভমেন্টনা হায়রিবনা স্কোটশিংনা মখোয় মশাগী লুচিংবশিং খঙবা ঙমগদবনি অমসুং মখোয় মশাগী ওইবা ৱারেপ অদু লৌজগদবনি। লন্দনগী লৈঙাক্তগী নত্তবদা মখোয় মশাগী ওইবা লুচিংবা খনবা অমদি ৱারেপ লৌবা হায়বসি ওইগদবনি হায়খি।

য়ুনিয়ন্দা শৌগৎলিবা মীওশিংনা অমুক হায়রিবনা স্কোটলেন্দ অসি হেন্না চাউখৎলে অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমগী শরুক অমা ওইরে। মসিগা লোয়ননা লৈনরিবা মরী অসি হেন্না চেৎশিনহনগদবনি হায়বসিনি।

তৌইগুম্বসুং য়ানশিন্নবা কালকুলেশন অমগী মতুং ইন্নদি সাইমোন্না মনিং মখা তম্বা স্কোটলেন্দ অমগী মঙ মঙলিবা অদু মায় পাক্লনবা হোৎনরকপদা য়াম্না পিকপা পার্সেন্টজগী মনুংদা 'য়েস' কেম্পেন চখবা হৌরকখিবনি। য়ুনাইটেদ কিংদমদা অয়রলেন্দ হেক খাইদোকখিবদগী হৌনা মনুংগী ওইবা থ্রেট অমা চাউনা মায়োক্লন্দুনা লাকখিবনি।

ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN FOR CLASS I - X FOUNDATION LAST BATCH 4TH SEPTEMBER 2014
CLASSS X REVISION STARTS ON 9TH OCT. 2014
FACULTY : RESOURCE PERSONS & FORMER HEAD - EXAMINERS
ALL CLASSES ARE STRICTLY MONITORED BY CCTV




SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
Van service upto 10km
All classes are strictly monitored by CCTV
Contact No. : 9856988840-9863265726-9863222153
HL-B/2026/25,27,29,31,2,4,6,8,10,12,14,16,18,20,22



HL-B/2045/15/9-14/10

ꯇꯦꯡꯒꯥꯕ/ লায়েংজরি (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্রে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।
(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।
(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থরক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।
(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।
(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং ভসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু
(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।
(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিভৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।
(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।
(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।
(য়ু করম্না থাদোক্কনি)
য়ুনা এদিক্ট ওইদুনা অদোমগী ফেমিলিদা অৱাবা ওইরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবীয়ু
(গুপ্তা টুঠ পাৱদর (য়াগী হিদাক))
পাৱদর অসি শিজিনরগা অমদি য়া নাবা, ঈ থোকপা, য়ারি পোমখৎপা, য়া মুশিনবা নত্রগা হঙ্গামপাল কাশিনবা ফবা ঙম্মী অমদি য়া ঙৌনা অমসুং শেংনা লৈগনি। য়ারি নাই চাবা ফগনি।
*মমল লুপা ৪০ খক্তনি। হায়রিবা হিদাক অসি অদোম্না লৈবা অমসুং য়োনবীবা ঙমগনি নহাক্কী লোকেলিটিদা। য়া মখোং শেংনা থম্বা ঙমগনি। * কম্মিশনসু পীজগনি।
DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Khuyathong, Imphal-795001
HL-B2013/15 Aug-14Sept.

থবক্কী পাউ

HINDUSTAN NEWSPRINT LIMITED (HNL)

JOB LOCATION : KOTTAYAM, KERALA
TOTAL NO. OF POST : 50 POST
*1. ATTENDANT-II TRAINEE* – 25
*2. ATTENDANT-I TRAINEE* – 25
EDUCATIONAL QUALIFICATION :
ELIGIBLE AND INTERESTED CANDIDATE SHOULD HAVE PASSED 10TH CLASS (X STD) PLUS NATIONAL TRADE CERTIFICATE (NTC/ITI) IN THE TRADE OF ELECTRICIAN/ ELECTRONIC MECHANIC/FITTER. SHOULD HAVE SCORED 60% OR ABOVE IN THEIR QUALIFYING EXAMINATION (NTC) AND SHOULD POSSESS POST QUALIFICATION NATIONAL APPRENTICESHIP CERTIFICATE (NAC) IN THE RESPECTIVE TRADE.
AGE LIMIT: CANDIDATES AGE SHOULD BE MINIMUM 18 YEARS.
SELECTION PROCESS :
CANDIDATES WOULD BE SELECTED BASED ON THEIR PERFORMANCE IN WRITTENT TEST AND INTERVIEW TEST.
PAY SCALE - RS.7900-3%-18100/-P.M.
ALL ELIGIBLE AND INTERESTED CANDIDATES SEND THEIR RESUME TO THE SENIOR MANAGER (HR&ES) AT THE ADDRESS GIVEN ABOVE IN THE FOLLOWING FORMAT ALONG WITH TRUE COPIES OF CERTIFICATES, MARK LISTS, RECENT PASSPORT SIZE PHOTOGRAPH (TO BE PASTED ON THE APPLICATION) IN AN ENVELOPE SUPER SCRIBED WITH "APPLICATION FOR THE POST OF ..........." ENCLOSING A DEMAND DRAFT OR INDIAN POSTAL ORDER FOR RS.100/- IN FAVOUR OF HINDUSTAN NEWSPRINT LTD., (NOT REQUIRED FOR SC/ST, PWD CANDIDATES) PAYABLE AT ERNAKULAM/ MEVELLOOR SO AS TO REACH ON OR BEFORE 3RD OCTOBER 2014.